## রসিয়াগী মিলিটরি দেলিগেসন্না পাকিস্তানগী ঈরাং কনবা মফম য়েংশিনখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ৩১ :
অহানবা ওইনা অৱাংবা থাক্কী রসিয়ন মিলিটরি দেলিগেসন অমনা পাকিস্তানগী লালহৌবগী ঈরাং কনবা অফঘান বোর্দরগা তাইনবা ত্রাইবেল লমদমদা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। মখোয়না মিলিটেন্ট-শিংনা হান্না মখোয়গী ষ্ট্রোংহোল্ডশিং ওইনা শিজিন্নখিবা মফমদুগী ফীভম হকথেংননা য়েংশিন্নবগীদমক্তা খোঙচৎ অদু চৎলিবনি হায়রি।

দেলিগেসন অদুনা ঙরাং নোর্থ ৱাজিরিস্তান এজেন্সিগী মিরানসাহ অমসুং সাউথ ৱাজিরিস্তান এজেন্সিগী ৱানাদা চত্নুনা য়েংশিনখি হায়না আর্মিনা ফোঙদোকখি।

কনফ্লিক্ট লৈবা এরিয়াশিংদুদা চৎপা অহানবা রসিয়ন আর্মিগী দেলিগেসন অদু দেপ্যুটি চীফ ওফ জেনরেল ষ্টাফ কর্নেল জেনরেল ইস্রাকোভ সর্গি য়ুরিভিচনা লুচিংখি।

কোল্ডৱার মনুংদা চহী লিশাং শিংনা অমগা অমগা তাথিনরকখিবা অমসুং থাজনরকখিদ্রবা মতুংদা পাকিস্তান অমসুং রসিয়াগী মরী ফগৎলক্লিঙৈ তাল্লক্তা রসিয়ন মিলিটরি দেলিগেসননা খোঙচৎ অসি পাঙথোক্লিবনি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা রসিয়ানা পাকিস্তানগা অহানবা মিলিটরি এক্সরসাইজশিং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ইস্লামাবাদতা খুৎশু-খুৎলায়শিং য়োনবসু হৌখ্রে।

# পাকিস্তানগী অৱাং-নোংচুপ থংবা ত্রাইবেল লমদমদা সুইসাইদ এটেক চথখ্রে

## য়ামদ্রবদা মীওই ২২ শিখ্রে, ৫৭ রোম শোকখ্রে



পেশৱার, মার্চ ৩১ :
পাকিস্তানগী ঈরাং কনবা নোর্থ-ৱেষ্ট ত্রাইবেল রিজনগী মী চিনবা কৈথেল অমদা লৈবা সিয়াইট ইমামবার্গাহ অমগী মপানদা ঙসি পাঙথোকখিবা সুইসাইদ বোম এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ২২ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৫৭ রোম্না অশোক-অপন নংখ্রে।

সুইসাইদ বোম্মর অদুনা মহাক্কী কার অদু কুরাম এজেন্সিগী মনুং চনবা পারাচিনার সেন্ট্রেল বাজারদা লৈবা ইমামবার্গাহ অদুগী ম্যেনগেট মনাক্তা থৌজিন্দুনা মশা পোকখায়জখিবনি।

এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২২শিখ্রে অমসুং অতৈ ৫০ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না দোন ন্যুজনা হোস্পিটালগী ছোর্সশিং পল্লদুনা হায়খি। শিখিবশিংদুদা নুপী কয়া অমসুং অঙাং অমা য়াওখি অমসুং অশোকপা অয়াম্বগী ফীভম লুনা লৈরি হায়রি।

ব্লাষ্ট অদুদা ভেহিকল কয়াসু অমাঙ-অতা থোকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা বোম্মিং অদু কনামত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এরিয়াদু মী চঙহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা মফমদুদা ইম্মরজেন্দি সার্ভিসশিং থাজিনখ্রে। এদমিনিষ্ট্রেসননা এরিয়া অদুগী হোস্পিটাল খুদিংমক্তা ইম্মরজেন্সি লাউথোকখ্রে।

অশোকপশিং পুথোক্ন বগীদমক্তা আর্মিগী মেদিকেল ইভাক্যুএসন হেলিকোপ্টর অমা পারাচিনারদা পাইশিনখ্রে হায়না ইন্টর-সার্ভিসমেন পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর) গী ৱারোল অমনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা ব্লাষ্ট অদুদা মীশি মীনা কয়া থোক্লিবদুগা মরী লৈননা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে। 'টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা শোক্নরিবা লাল মখা তানা চথবা হায়বসি ঐখোয়গী রেস্পোন্সিবিলিটিনি' হায়রদুনা শরিফনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা অরৈবা পান্থে অপুন্বা শিজিন্নদুনা লৈবাক অদুদগী টেররিজম মুথৎনবা ৱারেপ লৌরে হায়না নৌহৌননা অমুক ফোঙদোকখি।

'টেররিষ্টশিংগী নেটৱার্ক কায়বা হৌখ্রে অমসুং ঐখোয়গী লৈহাউদগী টেররিজমবু মপুং ফানা মুথৎত্রিফাওবা লাল অসি মখা তানা শোক্নবা হায়বসি ঐখোয়গী নেসনল দ্যুটিনি' হায়না শরিফনা মখা তাখি।

## নেটোগী সম্মিটতা দিফেন্সকী চাদিং হেনগৎহনবদা য়ানগদৌরি

ব্রসেলজ, মার্চ ৩১ :
ব্রসেলজদা মে থাদা পাঙথোক্কদবা নেটোগী সম্মিট অমদা মিলিটরি চাদিং হেনগৎহন্নবগী থৌরাংশিংগী মতাংদা এলাইঅন্স অসিগী লীদরশিপনা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না নেটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোল্টনবর্গনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নেটোগী ফোরন মিনিষ্টরশিংনা অহানবা ওইনা ইরাই নুমিৎতা ওর্গনাইজেসন অসিগী হেদক্কার্টরসতা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসনগা উনরগনি। উনবা অদুদা টিলরসন্না কনাডা অমসুং য়ুরোপিয়ন পার্টনরশিংদা মখোয়গী দিফেন্সকী চাদিং হেনগৎহনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়বসি খঙহনগনি হায়না ইফে ন্যুজনা হায়রি।

ষ্টোল্টনবর্গনা হায়খি, দিফেন্সকী চাদিং হেনগৎহনবা হায়বসি য়ু এসপু পেলহন্নবা তৌবগী খোঙথাং অমা নত্তে তৌইগুম্বসুং মসি কুমজা ২০১৪ দা মীচংশিংনা টেবলদুমক্তদা ফম্মিন্নদুনা য়ানখিবা ৱাফম অমনি। মখোয়না দিফেন্সকী চাদিং ককথবা লেপ্পবা, থেংখাং নাইনা চাদিং হেনগৎহন্দুনা চহী ১০ গী মনুংদা ঙাক শেনবগী চাদিং জি এন পিগী চাদা ২ ফাওবা য়ৌহন্নবা ৱারেপ লৌখি।

## ও বি ও আরগী মীফমদা য়াওনবা চাইনানা ইন্দিয়াদা প্রেসর কন্না পীরি

বৈজিং, মার্চ ৩১ :
চাইনা-পাকিস্তান ইকনমিক কোরিদোর (সি পি ঈ সি) উৎপদনদি ও বি ও আরগী আইদিয়া অসিদা পূক্নিং চিংশিনবা ইঙম ঙন্নরোই হায়বসি খঙলকপদগী চাইনানা ইন্দিয়াদা মসিগী ৱান বেল্ট, ৱান রোদ নৎত্রগা সিল্ক রোদ প্রোগ্রামগী মতাংদা মথংগী মেদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্সতা শরুক য়ানবা প্রেসর পীরি।

মসি ইন্দিয়ানা চাইনাগা মালেম পুম্বগা শম্নহনগদবা লম্বী, রেল অমদি হিথাংফমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপা য়াওবা ও বি ও আর প্রোগ্রামদা য়াওনিংদবগী মতাংদা চাইনিজ ওফিসলশিং অমসুং এক্সপার্টশিংনা পীবা কম্মেন্ট কয়াদগী খঙবা ঙমই হায়রি।

চাইনিজ এক্সপার্ট অমনা হৌজিক ইন্দিয়াবু ও বি ও আর প্রোগ্রামগী মতাংদা শেরান্নবা ৱাখল চেল্লি হায়না মরাল শীখ্রে। লিন মিনৱাং কৌবা সাংহাইগী ফুদান য়ুনিভর্সিটিদা লৈবা ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্টরনেসনল ষ্টদিজগী এক্সপার্ট অদুনা ইন্দিয়াবু ঈকায়বা পীনবা ফাওবা হোৎনরদুনা রসিয়াগী মায়কৈদগীসু মদুদা থৱায় য়াওবা উৎলকপগী পাউ খরা পনখি।

'মোঙ্গোনসু বেল্ট অমসুং রোদ (ও বি ও আর) কী ইনিসিয়েটিভ অদুদা থৱায় য়াওবা উৎলকখিবগা লোয়ননা চাইনা অমসুং মোঙ্গোলিয়াগা লোয়ননা ইকনমিক কোরিদোর অমা শেমগৎ-শাগৎলগনি হায়না ফোঙদোরক্লে। মসিদা ন্যু দিল্লিনা ঈকায়বা খরা পোক্নম্বা য়াই' হায়না লিননা হায়খি।

চহী অসিনা হৌরকপদগী রসিয়া অমসুং ইরাননা চাইনা-পাকিস্তান ইকনমিক কোরিদোর (সি পি ঈ সি) অদুদা য়াওনবা হোৎনরকখিবগী পাউ কয়া ফোংবা লৈরে। মসিনা ইন্দিয়াবু থোইদোক্না হৈনদবা পোকহনবা য়াই' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অদুম ওইনমক রসিয়ানা অপান্বা উৎপা ৱাহে খরা ফোঙদোকপা নত্তনা ও বি ও আরগা শম্নবগী তাংদাংবা প্রোগ্রাম অমত্তা সেঙ্কসন তৌবা লৈত্রি হায়রি।

চাইনানা য়ামদ্রবদা লৈবাক ২০ গী মকোকশিংবু ও বি ও আর কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াহনবা পামই। কনফরেন্স অদুদা লৈবাক অসিনা এসিয়া অমসুং য়ুরোপকী গভর্ণমেন্টশিংবু প্রোগ্রাম অদুদা য়াওহন্নবা তকশিনগনি।

বৈজিংনা তঙাই ফদনা ইন্দিয়াবু মদুদা য়াওহনবা পামই, মরমদি মদুনা সাউথ এসিয়াগী অতৈ লৈবাকশিংবুসু য়াওনিংবা পোকহনগনি।

হৌজিক য়াম্না নুংঙাইত্রিবদি মদুদা য়াও হায়বদা ইন্দিয়ানা য়ানিংদ্রিবসিনা চাইনানা নেপাল, বাংলাদেশ, শ্রীলঙ্কা অমসুং ম্যান্মারদা ও বি ও আর নেটৱার্ক য়ৌহন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা থোকহল্লি। তৌইগুম্বসুং লিননা লৈবাকশিং অসিসু প্রোগ্রাম অদুদা য়াওবা পামই হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবদা চাইনানা য়েৎনরিবা পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মিরদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি অমসুং চাইনা-পাকিস্তান ইকনমিক কোরিদোর অমসুং ও বি ও আরগী মিংদা ইন্দিয়াগী ইন্টরেষ্টতা শোকহল্লে হায়খিবনি।

## মফম লৌথোকখ্রবা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট ফারগা জেলদা থমখ্রে



সিওল, মার্চ ৩১ :
মফম লৌথোকখ্রবা সাউথ কোরিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যুন-হয়ে ইরাই নুমিৎতা করপসনগী অচৌবা মরালশিংদা ফারগা জেলদা থমখ্রে।

পার্ক গ্যুন-হয়েদা শীরিবা মরালশিংদুনা মহাক্কী লৈঙাক অদু চহী মরি চূপ্পা চরাংননা চথরক্লবা মতুংদা লোইশিনহনখি অমসুং মহাক্কী মহুৎ শিনবা অমা খন্নবগীদমক মীখল অমা পাঙথোকপগী তঙাই ফদবা লাকহনখি।

সিওল সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা মহাকপু ফানবা প্রোসিক্যুটরশিংনা হায়জরকপদা অয়াবা পীরবা মতুং অযুক অঙনবদা পার্ক গ্যুন-হয়ে তোংবা অমুবা মচুগী সিদান অমা য়াওনা ভেহিকল কনভোই অমা কেপিটেল সিওলগী মনাক্তা লৈবা দিটেন্সন ফেসিলিটি অমদা চঙখি।

পার্ককী কারনা ফেসিলিটি অদুদা চঙশিনখিবদা মহাকপু শৌগৎপা কয়ানা লৈবাক্কী ফিরালশিং হাইখি অমসুং 'প্রসিদেন্ট' হায়না লাউখি। অমরোমদা, মহাক্কী ওপোনেন্ট অমনা করেম্নবা মওংদা লৈ-শুশিংগা লোয়ননা জেলদা চঙলকপগী হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোকপা রিবন অমা থাঙ্গৎতুনা উৎখি। মদুদা 'জেলদা চঙলকপগীদমক পার্ক গ্যুন-হয়েদা থাগৎচরি। চহী ৩০ গী মতুংদা মীওইবা অমা ওইনা থোক্লক্লো' হায়না ইখি।

হৌনবী মতুং ইন্না মহাকপু মরাল শীদ্রিঙৈগী মমাঙদা প্রোসিক্যুটরশিংনা মহাকপু নুমিৎ ২০ নি ফাওবা ফাজিন্দুনা থম্বা য়াই।

সিওলদা লৈবা কোর্ট অদুগী ৱারেপ্তু সাউথ কোরিয়াগী অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট ওইরিবা পার্ককী ওইনদি অমুক হন্না ঈকায়বা নংহনবা ওইনা থোকখি। মহাক হৌখিবা কুমজা ২০১২ দা কঞ্জাভের্টিভশিংনা হুপ্পা শৌগৎপগী ফীভম অমগী মরক্তা মীখলদা মায় পাকখিবনি। কঞ্জাভের্টিভশিং অদুনা মহাক্কী অপোকপা সাউথ কোরিয়াগী দিক্টেটর অদুবু হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাউনবগী ফজদবা রেকোর্দ খরা লৈজরবসু লৈবাক অদুবু কুমজা ১৯৬০ দগী ১৯৭০ গী মতুং চহী খরা ফাওবা লায়রনা লৈরম্বদগী থাঙ্গৎখিবা হিরো অমা ওইনা শিংথানখি।

প্রোসিক্যুটরশিংনা পার্কপু মহাক্না থাজবা থম্বা মীওই অমগা লৌতূনরগা অচৌবা বিজনেস এম্পায়রশিংদগী চাউরবা শেনফম কয়া নমদুনা লৌথোকখি, সাউথ কোরিয়াগী কম্পেনিশিংগী মনুংদগী অমদগী শেল চাখি অমসুং অতৈ অরান-অহুই কয়া তৌখি হায়না মরাল শীখি। মহাক্কী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিং অদুনা মরম ওইদুনা সাউথ কোরিয়ন মিলিয়ন কয়াবু থা কয়ামুক চুপ্পা চয়োলগী অরোইবা নুমিৎ খুদিংগী লম্বীশিংদা মহাক্কী লৈঙাক্কী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি।

লোমেকরশিংনা মহাকপু হৌখিবা দিসেম্বরদা ইম্পিচ তৌখি অমসুং মার্চতা কন্সটট্যুস্নেল কোর্টনা মহাকপু হৌনবী মতুং ইন্না ওফিসতগী লৌথোক্নবা রুলিং পীখি।

পার্ককী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিংদু কনফার্ম তৌরে হায়না থাজবদগী মহাকপু ফাবগী ৱাফম য়াখিবনি হায়না সিওলগী কোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

## চাইনা, ইন্দিয়া অমসু অতৈগা লৈনবা লল্লোন ঈতিক্কী গেপশিং কোকহন্নবা ত্রম্পনা এক্সন লৌখৎকদৌরি



ন্যু য়োর্ক, মার্চ ৩১ :
চাইনা অমসুং ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক ১৫ গা লল্লোন-ঈতিক্কী লমদা লৈরিবা থোং মান্নদবশিংগী হৌরকফম য়েংশিন্নবা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনদা ইন্সট্রক্সন পীবা ইগজিক্যুটিভ ওর্দরশিং প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা সাইন তৌরগনি।

ত্রম্পনা চাইনাগী মহাক্কী লেঙমান্নবা সি জিনপীংগা অহানবা ওইনা উনগদৌরিবদুগী মাঙওইননা পায়খৎকদৌরিবা খোঙথাং অসি চাইনাদা টার্গেট তৌবনি হায়না পাক্তক্লনা লৌনরি।

অদুম ওইনমক কম্মর্স সেক্রেটরি ৱিলবর রোসনা হ্বাইট হাউসকী পাউমীশিংগা চথখিবা ইন্টরেক্সন অমদা ঙসি সাইন তৌরবা য়াই হায়না থাজনরিবা ইগজিক্যুটিভ ওর্দর অদু চাইনাখক্তগী মরমদা নত্তে হায়খি। মসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ট্রেদ দেফিসিট চাউনা লৈনবা মরু ওইবা লৈবাক খুদিংমক্কী মরমদনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ু এসকা ট্রেদ দেফিসিট চাউনা লৈনবা লৈবাকশিংগী লিষ্ট পাথোক্লদুনা রোসনা ইন্দিয়াগা দোল্লর বিলিয়ন ২৪ গী ট্রেদ দেফিসিট লৈনৈ হায়খি।

য়ু এসনা চাইনাগা য়াম্না চাউনা দোল্লর বিলিয়ন ৩৪৭ কী ট্রেদ দেফিসিট লৈনৈ, মসিগী মতুংদা জপান (দোল্লর বিলিয়ন ৬৮.৯), জর্মনি (দোল্লর ৬৪.৯), মেক্সিকো (দোল্লর ৬৩.২), আইরলেন্দ (দোল্লর বিলিয়ন ৩৫.৯) অমসুং ভিয়েটনাম (দোল্লর বিলিয়ন ৩২) গা ট্রেদ দেফিসিটশিং লৈনৈ।

লিষ্ট অদুদা পল্লিবা অতৈ লৈবাকশিংদুদা ইটালি, সাউথ কোরিয়া, মালেসিয়া, থাইলেন্দ, ফ্রান্স, স্বিটজরলেন্দ, টাইৱান, ইন্দোনেসিয়া অমসুং কনাডা য়াওরি।

লিষ্ট অদুদা য়াওরিবা পুন্নমক ফৎতবা তৌবশিংনি হায়বগী ৱাফমদি নত্তে হায়রদুনা রোসনা ফোঙদোকখি মদুদি, খ্বাইদগী চাউবা ট্রেদ দেফিসিট থোকহল্লিবা লৈবাক্তি চাইনানি।

ইগজিক্যুটিভ ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না, ট্রেদ দেফিসিটশিং হন্থহন্নবগীদমক্তা প্রসিদেন্টনা দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মর্স অমসুং য়ু এসকী ট্রেদ রিপ্রজেন্টেটিভতা এক্সনেবল আইটেমশিং রিভ্যু তৌনবা অমসুং নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা মঙোন্দা অমুক রিপোর্ট থারক্নবা ইন্সত্রক্সন পীরগনি হায়না রোসনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুনা ট্রেদ দেফিসিটকী মরমশিং অমসুং নমথাক তৌবনা অমসুং অতৈ ফজদবা থৌওংশিংনা কদায় ফাওবা ট্রেদ দেফিসিটশিং থোকহনবগে হায়বনচিংবশিং য়েংশিনগনি হায়না রোসনা ফোঙদোকখি।

## প্রসিদেন্টনা কেবিনেট রিসফল তৌবনা সাউথ অফ্রিকাগী এ এন সি মচেৎ তাহনগদৌরে



প্রিটোরিয়া, মার্চ ৩১ :
সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট জেকোব জুমানা হৌখিবা অহিংদা মহাক্কী ফাইনান্স মিনিষ্টর মফম লৌথোকখিবনা ইরাই নুমিৎতা লৈবাক অসিগী ফাইনান্সিয়ল মার্কেটশিং নিকহনখ্রে।

খোঙথাং অদুনা মহাক্কী ওথোরিটিদা ৱাহং কয়া লাকহনখ্রে অমসুং অপার্টাইট লোইশিনখিবদগী লৈবাক অদুবু লৈঙাল্লকখিবা অফ্রিকান নেসনল কোংগ্রেসপু মচেৎ তাহনবা য়াবগী ফীভম ফাওবা লাকহনখ্রে।

মহৌশানা সাউথ অফ্রিকাগী লিবরেসন মুভমেন্টতা য়ুনিটিগী সিম্বল অমনি হায়না লৌনরিবা এ এন সিগী সেক্রেটরি জেনরেল গ্বেদ মান্টাসেনা জুমাবু য়াদবা ফাইনান্স মিনিষ্টর প্রবিন গোধর্ন অমসুং অতৈ কেবিনেট মেম্বরশিংবু অতৈনা মহুৎ শিন্দোক্নবা লৌখিবা ৱারেপ্তুবু ইফোং ফোংনা ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে।

'মিনিষ্টরশিংনা থবক তৌদবা মফমশিংবু য়েংশিল্লমদবগী থৌওং অসিদা ঐহাক য়াম্না পেন্দ্রে। মফম লৌথোক্লিবা মিনিষ্টর অয়াম্বা থবক নিংথিনা তৌবা ঙাক্তনি হায়না মান্টাসেনা টোক্ক রেদিও ৭০২ দা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট জুমানা গোধর্নবু অতৈনা শিন্দোক্কদৌরে হায়বা তোকঙাশিংনা চয়োল অমরোম শেলগী মার্কেটশিংদা লৈখায় তাদবা ফীভম লৈহনখি অমসুং এ এন সিগী মেম্বরশিংনা প্রসিদেন্টদা খোঙথাংদু খন্ননবা তকশিনখি। মহাক্না মহাক্কী কেবিনেট হোংদোক্নবা হোৎনরিবদুনা দিসেম্বরদা অনৌবা লিদর অমা খন্নবা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইননা এ এফ সিবু মচেৎ তাহল্লকপা য়াই হায়না এনালিষ্টশিংনা হায়রি।

## ইরাকতা এয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা আই এসকী প্রোপেগন্দা টিমগী মীওইশিং হাৎখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ৩১ :
ইরাক্কী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা টাউন অল-কাইমদা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা ইস্লামিক ষ্টেটকী প্রোপেগন্দা চীফ অমসুং এসোসিয়েটশিং হাৎখ্রে হায়না জিহাদিষ্ট গ্রুপ অদুগা লান্থেংনরিবা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইব্রাহিম অল-অন্সারি অসি 'আই এস আই এসকী মরু ওইবা লিদর' অমনি হায়না বাঘদাদতা বেজ ওইবা কোলিসন অদুগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা কর্নেল জোসেফ স্ক্রোককানা ঙরাং ইস্লামিক ষ্টেটকী ওল্টরনেট এক্রোনিম অমা শিজিন্নরদুনা হায়খি।

প্রোপেগন্দাগী ওফিসল অদু মীরৈবাক্কী ফাইটরশিং রিক্রুট তৌনবা অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা টেরর এটেকশিং চথনবা পূক্নিং থৌগৎনবা পায়খৎলিবা প্রোপেগন্দা কেম্প্যেনগী লিদর অমনি হায়না স্ক্রোকানা পাউমীশিংদা হায়খি।

মহাক্না এয়র ষ্ট্রাইক অদু মার্চ ২৫ দা পাঙথোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

আই এসকী অতৈ জিহাদিষ্ট মরিসু শিহনখিবা বোম্মিং অদুনা মল্টি-মিদিয়া ওপরেসন টিম অমা পুংমাং মাংহনখ্রে হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্নিংদবা অতোপ্পা দিফেন্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।




## EMPLOYMENT NEWS

### University of Delhi Recruitment – 14 Junior Assistant, Multi Tasking Staff & Various Vacancies – Last Date 15 April 2017

Delhi University (Janki Devi Memorial College) invites Applications for the post of 14 Junior Assistant, Multi Tasking Staff & Various Vacancies on Permanent basis. Apply before 15 April 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**DU Job Details :**

Post Name : Junior Assistant
No of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1900/-
Post Name : Multi Tasking Staff
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1800/-

**Eligibility Criteria for University of Delhi Recruitment :**
Educational Qualification :
For Junior Assistant : A Senior Secondary School Certificate (+2) or its equivalent qualification from a recognized Board / University / Institution with at least 50% marks or a Graduate from a recognized University, and Diploma / Certificate of minimum 6 months duration in Computer Applications / Office Management/ Secretarial Practice / Financial Management / Accounts or equivalent discipline or Graduate Degree in Computer Application / Office Management / Secretarial Practice / Financial Management / Accounts or equivalent discipline from a recognized University.
For Multi Tasking Staff : Passed 10th or equivalent examination from any State Education Board or Government recognized institution. Certificate in Library Science/Library & Information Science from a recognized Institution.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 27 years

**Job Location : Delhi**

**Selection Process :** Selection will be made on through written test & interview.

**Application Fee :** UR/OBC Candidates have to pay Rs.200/- through demand draft in favour of Principal, Janki Devi Memorial college New Delhi. No Fee for SC/ST/PWD/Women Candidates.

**How to Apply Delhi University Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with self-attested copies of certificates, mark sheets, testimonials etc. & DD send by hand or by post to the Principal, Janki Devi Memorial College, Sir Ganga Ram Hospital Marg, New Delhi- 110060 on or before 15.04.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 15.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.du.ac.in/index.php?mact=News,cntnt01,detail,0&cntnt01articleid=15205&cntnt01returnid=83

### Jawaharlal Institute of Postgraduate Medical Education & Research – JIPMER Recruitment – 08 MTS, Assistant Professor & Various Vacancies – Last Date 28 April 2017

**JIPMER Recruitment 2017**

Jawaharlal Institute of Postgraduate Medical Education & Research (JIPMER) invites application for the post of 08 MTS, Assistant Professor & Various Vacancies for Persons with Disabilities (PwD). Apply before 28 April 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**JIPMER Job Details :**
Post Name : MTS
No. of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1800/-
Post Name : Assistant Professor
No. of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs.8000/-

**Eligibility Criteria for JIPMER Recruitment :**
Educational Qualification :
For MTS : 10th Standard or its equivalent from a recognized Board or University

For Assistant Professor : A Medical qualification included in the I or II Schedule or Part II of the third Schedule to the Indian Medical Council Act of 1956 (persons possessing qualifications included in part II or third schedule should also fulfill the conditions specified in Section13 (3) of the Act.) and A Postgraduate qualification, i.e. M.D in Pulmonary Medicine or a recognized qualification equivalent thereto.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 27 years for MTS & 50 years for Assistant Professor as on 28.04.2017

**Job Location : Puducherry**
**Selection Process :** Selection will be based on Written Test, Skill Test & Interview.

**Application Fee :** There is no application fee.
**How to Apply JIPMER Vacancy :** Interested Candidates may apply in Application along with all educational qualifications, experience certificates & testimonials and two recent passport size photographs send to Director, JIPMER, Puducherry- 605006 on or before 28.04.2017
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 28.04.2017
**Important Links**
Details Advertisement Link : http://jipmer.edu.in/wp-content/uploads/2017/03/Special-Recruitment-Drive-for-PwD-category.pdf
Download Application form for Group A faculty post : http://jipmer.edu.in/wp-content/uploads/2017/03/Application-form-for-Group-A-faculty-post.pdf
Download Application form for Group C post : http://jipmer.edu.in/wp-content/uploads/2017/03/Application-form-for-Group-C-post.pdf